চীফ সেক্রেটরি শীন্দোকপদা মেসিয়ানা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

মতম অমদা মণিপুরগী মীয়াম্না তায়ওন্ননা লৌরম্বা বি জে পিনা ঙসিদি মীয়ামগী থৌগল তৌরি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা চত্থরিবা পোলিটিক্স মীচম-মীয়াম অমদি ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংনা ফরে খল্লগসু লৈঙাক অসিগী মুভমেন্ট খুদিংমক মীতৈবু নুংশিবগী মমি তাদবগুম মীতৈ খক্তগী লূপশিংনা ফাওবগুম তৌই হায়না মৈতৈ য়ুঠ ফ্রন্ট, সাউথ ইষ্ট এসিয়া (মেসিয়া)না ফোঙদোরক্লি।

মেসিয়াগী প্রসিদেন্ট এন জি মণ্ডাল মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লমদম অসিগী মিংশেল ওইরিবা মীতৈ মচানা চীফ সেক্রেটরি পুবদা লৈঙাক্কী মায় চোপ্পা লৈরম্লোই। থবক তৌমিন্নবদা পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রগা ফুরুপকী বাইয়সসু লৈরম্লোই। য়াম্না তাংনা মীতৈ মরক্তা ফংবা পোষ্ট অমবু লৈঙাক অসিনা ইখঙ খঙহৌদনা লৌথোকপা হায়বসি মৈতৈ ফুরুপনা য়ানিংদে। এদজষ্টমেন্ট ওইরম্বদি য়াই। মরমদি নৌনা খল্লবা চীফ সেক্রেটরি অসি ১৯৮৩গী কেদরনি। মহাক্কী লোইগদবা মতম থা খরা খক্তমক ঙাইরে। ফুরুপ্তা পেন্দবা অমা লোয়নহনবসিদি মেসিয়ানা য়ানিংদে। মরমদমগী মীওই অমবু লৌথোক্লগা দেপ্যুটেসনদা লৈরকপা নন-লোকেল অমা হল্লক্লে। সিনিয়ারিটি ওইরে হায়রগা চীফ সেক্রেটরি ওইনা হাপ্পা ঙম্বা চীফ মিনিষ্টর বিরেন অমদি মহাক্কী মিনিষ্টরশিং লৈবাক অসিগী পুৱারীদা ইদুনা লৈহৌরগনি। থৌওং অসি লাইবক থীবা ওইরব্রা হায়বসি তপ্না-তপ্না মৈতৈ মীয়াম্না খোঙফম অসিদগী হংনবা হৌরক্লি।

তম্পাক্কী মীয়ামদা ফাওরিবা নুংগী ঈথিল অসি নুংঙাইতবা অমদি পেন্দবা অদুনি। অতোপ্পা কাঙলূপ ওইরম্লবা খোঙথাং অসি থাংলক্কদ্রা হায়বসিসু হংনিংঙাই ওই। লৈঙাক্কী খোঙথাং অসিমক মৈতৈশিংবু ইকায়বা পীরিব্রা হায়বসু হংনিংই। ফুরুপ য়াম্বা লমদম অমদা ফুরুপ অমখক্তমক হরাওহনগনি হায়বদুদি চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী ৱাখল লানগনি হায়না খল্লি।

মোরেগী থৌদোক ফাওবদা মেসিয়ানা ৱাহৈ অমা ফাওবা ঙাঙদনা লৈখিবনি। মীয়ামগী থৌগল তৌবদা অশোয়-অরাক য়াওগনি হায়না মেসিয়ানা খন্থদুনা লৈরকখি। ইফম নুঙ্গোইগী থৌদোকসু অমনি। চীফ মিনিষ্টর বিরেন অমদি মহাক্কী মিনিষ্টরশিংনা লৈবাক্কী অনীংবা অপাম্বা খঙদবগুম তৌই। ইমপ্লোয়ী অমা ওইবগী গভর্ণমেন্টনা পীবা চহী লোইদৌরবা মতম অসিদা হেক শীন্দোকপা হায়বদুদি মীয়ামগী থম্মোয়দা নুংঙাইরম্লোই। অতোপ্পা কাঙলূপশিংদি শুংখঙ খঙনদবা ওইরবসু লোলবু ফাওনরবদি অচৌ-মচা থিদনা মতেং পাংনৈ। মতেং অদুননি লমদম অসিদা ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশতগী মীওই কয়া চঙলক্লিবসি। মৈতৈ ঐখোয়না লন্নাই নুংঙাইনদবা, ইচা-ইশু কন্নবা, ফেমিলিগী ৱাথোক্তা য়ুম্ফম ওইরগা ফুরুপ মশেলদা পাঙ্গল উখোক্লে। ৱাইখুগী লিচৎনা মৈতৈ ঐখোয় মুৎনবগী পাম্বে ওইরক্লে। ৱাখল খনবীরো অতোপ্পা কাঙলূপনা ঐখোয় কন্নগদবা নৎতে।

ফুরুপ্না ফুরুপ নুংশিবীয়ু, চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা ও নবকিশ্বর আই এ এস মীয়াম্বু লোয়নবা হৈবা, ফুরুপ খুদিংমক্না য়াবা মী ওইবতা নৎতনা লমদম অসিগী পুৱারী ময়েক শেংনা খঙলবা তোমথিন ঙাল্লিবা মীওই অমনি। মহাক লৈবাক অসিগী লননি, মীতৈ ফুরুপকী ওইনদি অরংবা সনানি। সনা অসিবু লেম্না ফুমজিল্লগা থমখিবদি মেসিয়ানা য়াবা ঙম্লোই। ও নবকিশ্বরনসু ভোলুন্টিয়র রিটায়ার্দমেন্ট লৌবীখিনু। ঐখোয় মীয়ামগী মহুৎ শীন্দুনা হায়জরি।

সিনিয়ারিটিদা য়েংলগা মহাকপু শীন্দোকপা হায়বসি চানবা মরম ওইদে। ফুরুপকীদমক মেসিয়ানা লেপ্লি, লেপ্লগসু লাকই, লেপ্তুনসু লৈগনি। মসিনা ঐখোয়গী ফুরুপ্তা ৱাশক্তুনা হায়জরি। ইন্টিগ্রিটিনা ঐখোয়গী প্রাইওরিটি ওইরবসু মৈতৈখক্কী খোল্লাউদি লাউদবা য়াদবনি। অতোপ্পা ফুরুপ্না মাগী-মাগী দিমান্দ তৌবা, খোল্লাউ লাউবনা মখোয় নোংমা-নোংমগী নুংঙাইবা হেল্লক্লি। অমরোমদা, মৈতৈ ঐখোয়দি নোংমা-নোংমগী শোত্থবা হেল্লক্তুনা খুন্নাইগী ৱাংমদা লৈবা থবকশিং তৌবগী মশীং হেনগৎলক্লি। ঐখোয়গী মীশিংনা অৱাবা পোৎলুম পুবা হেল্লক্লি। নৌনা থৌ পুনবা লৈঙাক অসিনা খল্লবা অদু মৈতৈনা ইকায় খুন্নদবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং থম্মোয় শোকপদু ফোঙদোকপা খক্তনি।

লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ : জিরিবামগী আই সী দি এস প্রোজেক্ট ওফিসতগী হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বরগী এদভর্টিজমেন্ট নম্বর ১/১/আই সী দি এস/(জে বি এম)১৪গী মতুং ইন্না ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংনা মতম অদুদা মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিং পীশিন্দুনা ইন্টরভিয়ুদা শরুক য়াখি। ইন্টরভিয়ু অদুগী বোর্দ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা ওফিসরশিংনা দোক্যুমেন্টশিং চেক তৌরবা মতুংদা চুম্লে হায়না দি পি সী পাঙথোকখি।

ফাষ্ট ফেজ দি পি সী বোর্দ মেম্বরশিং অদুদা রিংশাংফি দি পি ও, ডা. জি সোনাচান্দ শর্ম্মা এম ও সী ঐচ সী জিরিবাম, প্রদিপ সিংহ, সী দব্লিয়ু সী, অনিমা রোই, সী দি পি ও, আই সী দি এস, জিরিবাম অদুগা সেকেন্দ ফেজ দি পি সী বোর্দ মেম্বর ওইনা ডা. জি সোনাচান্দ শর্ম্মা এম ও সী ঐচ সী জিরিবাম, অনিমা রোই, সী দি পি ও, আই সী দি এস, জিরিবাম, মোধুবালা দি পি ও, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বিরজিৎ এ দি সী জিরিবামনা ওফিসলশিং কাঙলোন চুম্না পাঙথোকখিবা দি পি সীগী রিজল্ট আউট কুমজা ২০১৬গী ওক্টোবর ৩ দা গভর্ণমেন্ট ভাইদ ওর্দর নম্বর ১/১/আই সী দি এস/জে বি এম/২০১৬/এপিপিটিগী মতুং ইন্না কেন্দিদেট মশীং ১১৬পু অনিমা রোই, সী দি পি ও, আই সী দি এস, জিরিবামনা জোইন্ট তৌহনখি। মতম খরগী মতুংদা অনিমা রোই, সী দি পি ও, আই সী দি এস, জিরিবামবু ট্রান্সফর তৌখি হায়রি।

এ রেজেশ্বরি, আই/সী সী দি পি ও জিরিবামনা শো কোজ নোটিশ পীরকপা মতমদা হায়রকপগী মতুং ইন্না হায়রিবা কেন্দিদেটশিংনা জিল্লা পরিষদ, প্রধান, কাউন্সিল্লর জে এম সী অমসুং ৱার্দ মেম্বরশিংনা পীবা পার্মেনেন্ট রেসিদেন্সিএল সর্টিফিকেট (পি আর সী)গা লোয়ননা শো কোজ নোটিশ রিপ্লাই নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা সী দি পি ও জিরিবামদা পীশিনখি। অদুবু শো কোজ নোটিশকা লোয়ননা মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিং পীশিনখ্রবসু থা ৪ রোম অসিদা সী দি পি ও জিরিবামনা থবক অমত্তসু তৌহন্দ্রে। লোয়ননা ফংফম থোকপা ফন্দ লাক্লবসু ওনরিয়ম শাবীদনা ঙসি ফাওবা নমদুনা থম্বীরে হায়রি।

এ দি সী, জিরিবাম, জিল্লা পরিষদ, প্রধান অমসুং ৱার্দ মেম্বরশিংনা পীবা দোমিসাইল/পি আর সীবু সী দি পি ও, জিরিবাম এ রাজেশ্বরিবু ইকায় খুম্নবীদবা লাইবকথীবনি। মসিনা মরম ওইদুনা আই সী দি এসকী সী দি পি ও জিরিবাম রাজেশ্বরিনা দি পি সীদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংবু অৱাবা পীবীরে মরম অদুনা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমদি সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লোয়ননা মথৌ মশক খঙদবা সী দি পি ও, জিরিবাম এ রাজেশ্বরিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়না দ মণিপুর অঙ্গনৱাদি মহিলা ওর্গনাইজেসন, জিরিবাম ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট সী ঐচ মণ্ডলেম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

দ্রগকা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ : তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডা. এস ইবোমচানা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি মোরে টাউন বোর্দর এরিয়াদা থি-হুম্বা চত্থবদা ময়াই কাবা চীঙাক, দ্রগ লল্লোনবা নুপী অনী য়াওনা মীওই মরি ফারে হায়রি। প্রেসনা ফংবা পাউ মতুং ইন্না পুলিসনা ফারবা পোৎলমশিং অদুদি দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ২৪০, অতোপ্পা ময়াই কাবা টেব্লেট ৩২০ অমদি হেরোইন পাউদর গ্রাম খরা য়াওনা ফাগৎপা ঙমখি হায়রি। ময়াই কাবা চীঙাক্তা কোন্ননা ফারবা মীওই মরি অদুদি মোরে ৱার্দ নম্বর ৪ প্রেম নগরদগী হিদাম শ্যামো (৪৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা চাওবা, মোরে ৱার্দ নম্বর ২ দালপানিদগী দিমনুং মন্দিম (৫২) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা তুনচিংকপ টিদিম, খুল অসিমক্তদগী খাইপু জৌ (৩২) অপোকপা লৈখিদ্রবা থাংকমপৌ অমদি মোরে ৱার্দ ৫ লৌবুক লৈকায়দগী লাইশ্রম ওংবী বিশেশ্বরী এলিয়স বিশে মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এল রাজেন কৌই হায়রি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুল য়েংশিনখ্রে, ইম্ফাল কোলেজদা ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা হায়খ্রে, এদ্যুকেসন অমসুং হেল্থ হায়বা য়াম্না মরুওইবা সেক্টর অনী অসিগী মরুওইবা অদু অনৌবা লৈঙাক অসিনা খঙবগা লোয়ননা অহানবা নুমিৎ ১০০ নিগী প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রবা মতুংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা মপুং ফানা চাউখৎহন্নবা হোৎনরি।

ঐচ এস এল সী এগজামিনেসনদা পাস তৌরক্লবা মহৈরোয়শিংনা শেল-থুমগী ফীভম ফত্তবনা মপান লমদা মহৈ তম্বা চৎপা ঙমদবদগী নৌনা এদমিসন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসি লৈঙাক্কী অফবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী মরক্তা অমা ওইবনা এদমিসন তৌনবা মহৈরোয় কয়া থোমজিন্নরক্লি। মহৈরোয়শিং এদমিসন মপুং ফানা তৌহন্নবা হোৎনবদা তঙাইফদ্দনা চঙদবা য়াদবা কয়া লৈরি অমসুং লৈঙাক্লা অদুগুম্বা নৌনা চঙগদবা পোৎলমশিং অদু করিনো হায়না খঙদোকপা হোৎনরি।

নৌনা অহেনবা মহৈরোয় মিং চলহন্নবা হোৎনবগী মতাংদা প্রিন্সিপাল, ভাইস প্রিন্সিপাল অমসুং দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (এস)না শীন্দুনা মহৈরোয়শিং অমসুং গার্জিয়ানশিংগা উনদুনা শন্দাইননবা হোৎনরি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা স্কুল অসিগী সাইন্স লেবোরেটরিশিং, গার্লস হোষ্টেলশিং, হৌজিক শাগৎলিবা স্কুলশিংগী বিল্ডিংশিং য়েংশিনখি অমদি লেবোরেটরি মনুংদা ঈশিং তুংলম্বা অমদি য়ূমথক্কী শরুক হোবা উবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অসিগুম্বা ফীভম শোক্লবা লেবোরেটরি অসি খুদক্তা শেমজিন্নবা থৌরাং তৌগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

স্কুল অদুগী হোষ্টেলশিং য়েংশিল্লদুনা হায়খি, হৌজিক শাগৎলিবা অমদি মপুং ফানা লোইশিন্দ্রিবা শরুকশিং অদুদা মহৈরোয়শিং লৈহন্নবা অথুবা মতমদা হোষ্টেল অদু শাবা লোইশিন্নবা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইম্ফাল কোলেজগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা এদ্যুকেসন লেবর অমসুং ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এস সুভাসচন্দ্রবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি কোলেজ অসিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল, লেকচররশিং অমসুং মহৈরোয়শিং শরুক য়াখি।

অথেংবা মতমদা লমদম অসিদা থাবা য়াবা ফৌ মখলশিংতমক লৌমীশিংদা ফংহল্লু : এ এম পি এফ এ

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা হৌজিক ঈচাওনা মরম ওইদুনা মাঙহন-তাকহনখ্রবা লৌফমশিং অসিগীদমক লৌমীশিংদা ফৌদি ফংহনগনি হায়দুনা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়বা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখিববু ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিব ফার্মরস এসোসিএসন (এ এম পি এফ এ)না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিব ফার্মরস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেল দব্লিয়ু ইনাওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চুখিবা নোংনা থোকহনখিবা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা মাঙ তাকহনখ্রবা লৌফমশিংগীদমক ফৌদি অমসুং লৌহোন ফংহনগনি, থৌরাং লৈরে হায়না লাউথোক্তুনা লৌমীশিংগী মীপাইবা খরদা ওইরবসু কোকহন্নবা হোৎনখিবা অমসুং অথুবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনরকপা হায়বসি লায়রবা লৌমীশিংগীদমক্তদি য়াম্না চাওবা মতেং ওইগদৌরিবনি অমসুং লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন্দসু য়াম্না চাওনা মতেং ওইগদৌরিবনি। অদুবু মতাং অসিদা পঙ্গনিংবা ৱাফম অমদি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়রিবা ফৌ মখলশিংগী মনুংদা য়াওরিবা এন টি য়ু-১০১০ অসিদি মণিপুরদা অমুক্তা মমাঙদা ট্রাইএল তৌদুনা থাখিদ্রিবা ফৌ মখল ওইবনা লৌমীশিংনা থোইনা খঙনদে। অদুবু এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ফৌ মখল অসিগী সাইকোলোজিকেল প্রোপর্টি অদু লৌমীশিংদা মাঙজৌননা খঙহনফম থোকই। মসিনা লৌমীশিংনা চিংনগদবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

ৱাফম অসি হায়বগী মরমদি মমাঙদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পীখিবা স্বর্ন-সব-১ (এম টি য়ু ৭০২৯) অসি লৌমীশিংনা থৱায় য়াওনা থারুরগা নীংথিনা লোকপা ঙমখিদবগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রে। মসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনহন্নীংই। নীংথিনা মণিপুরদা ট্রাইএল তৌরবা ফৌদি খক্তমক পীহন্নীংই।

হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইরোইশেম্বা অমসুং আই সী এ আর ইম্ফালগী এক্সপর্টশিংনসু থেংজিল্লক্লবা মতমদা (অঙ্গৈংবা খাঙবা ঙম্বা) থাবা য়াবা মণিপুরদা ফংবা ফৌ মখলশিংসু লাউথোক্তু না লৌমীশিংনসু মশা-মশাগী ওইনা থৌরাং তৌজবদা হেন্না খুদোংচানবা লাউথোকপীনবা ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিব ফার্মরস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

হৌজিক-হৌজিক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ফৌদি অমদি লৌহোন থৌরাং তৌদুনা লৈরিবা অসিগী মথক্তা ঈশিং তুংদুনা লৈরিবা লৌফমশিংদগী অথুবা মতমদা চিংথোকখিনবা এম আই, কাদা, আই এফ সী দিনচিংবা ঈথৈ-লৌখোংগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনসু কোওপরেসন পীবীনবা আপিল তৌরক্লি।

ঈচাওগী অৱাবা নংলবশিংদা তেংবাং পীবীয়ু : এম এস এফ

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

ইথাই বেরাজ অমদি তুরেল তোর্ব্বান অমসুং খোংলম মপুং ফানা শেমজিন্দবনা ঈশিং ঈচাও থোকহনবনি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্ট’স ফেদরেসন (এম এস এফ)না ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফ হেদ ওফিসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এলাংবম অনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মফম কয়াদা ঈশিং থুম্লনা মহৈলোইশঙ কয়াসু থুমজিনখিবনা মহৈরোয়শিংনা লাইরিক তম্বা ফংদ্রিবসি গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপীদুনা লাইরিক তম্বা ফংহনবীয়ু। মীয়ামদা ঈচাও অসিগা মরী লৈননা এৱেরেনেস কেম্পেন তৌবীয়ু। চান-থক্লবা মীয়ামদা লৈঙাক্লা মফম শীনবা থুংনা লেম্না ফংহনবীয়ু হায়রি।

ইথাই বেরাজ থিংগৎপনা অমদি তুরেল তোর্ব্বান ফত্তবনা, খোংলম মপুং ফানা শেমজিনবা ৱাৎহৌবনা তুরেল কায়রকপনি, ঈচাও থোকহল্লকপনি। মরম অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা মীয়ামনা মায়োক্লরিবশিং অসি কোকহনবীনবা হোৎনবীয়ু। হৌজিক্কী ওইনা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা নংলিবা মফমশিংদা লেম্না চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীবীয়ু।

মণিপুর মীয়ামগী লৌফমশিং ঈশিংনা থুমজিনখিদুনা ফৌথোক লৈররোই। মরম অদুনা চেঙ মরাং কায়না ফংহন্নবা তৌবীয়ু। চাননবা মনা-মশিং কয়া মাঙ-তাক্লে। মরম অদুনা মীয়ামদা চান-থক্লবা মনা-মশিংশিং মরাং কায়না ফংনবা হোৎনবীয়ু। ঙাওয়োক ফার্মশিং ঙা পুথোকপা লৈররোই। মাঙলিবা ঙাগী ফার্মশিংগী শেল-থুম মাঙখিবশিং অদু হঞ্জিনবীয়ু অমদি গভর্ণমেন্টকী শেন্থং কোকপীয়ু।

ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমদি হীদাক লাংথক লেম্না ফংহনবীয়ু। রিলিফ কেম্প মশীং য়াম্না অমদি মরাং কায়না হাংদোকপীবগা লোয়ননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংহনবীয়ু। লম্বী-থোং, ট্রান্সপোর্টেসনগী মতাংদা চুনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীয়ু। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি অথুবা মতমদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মথৌ তাবা দিপার্টমেন্টশিংগা লোয়ননা মতেং পাংহনবীয়ু হায়রি।

ঈশিং ঈচাওনা খম থেংনা ৱারবা ফীভম অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মকোক থোংবা মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিংনা মথৌ তাবা পোৎলমশিং পীগদবনি। ইথাই বেরাজ দাম মতম চানা হাংদোক্লবা হোৎনবীয়ু। লোক্তাক হাইদ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্টনা মীয়ামদা মৈ পীরবসু অৱাবা কোকহনবদি ঙমদ্রে। তশেংনা ঈশিং ঈচাও অসি মহৌশাগী খূৎশেম খক্তনা ওইহল্লকপা নৎতে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা সেন্টর গভর্ণমেন্টতা মশামক্লা তকশিন্দুনা ইথাই বেরাজগী থল্লিবা ঈশিংগী চাং অসি য়েংশিনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ঈচাওনা লন-থুম অমদি লৌফম কয়া হঞ্জিন-হঞ্জিন মাঙহল্লিবা অসিগা মরী লৈননা খন্নবীদুনা মীয়ামগী মাঙলিবা লন-থুম অসি হঞ্জিনবীয়ু হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা এম এস এফনা লৈঙাক অসিদা মীয়ামগী অৱাবা কোক্লবা তকশিল্লক্লিবা ৱাফমশিং অসি থৌশাবীদ্রবদি দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্কনি হায়রি।

‘লৈঙাক্কী স্কুলশিং রেসিদেন্সিএল স্কুল ওন্থোকপা মতম ওইরে’

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

অফবা মহৈরোয় পুথোকপদা মমা-মপা, মহৈরোয়, ওজাশিং অমদি লৈঙাক্লা থোং মান্ননা হোৎনবা চঙই হায়না নহারোল চাউখৎহনবা কাঙলূপ উরিপোক্লা ফোঙদোরক্লি।

নহারোল চাউখৎহনবা কাঙলূপ উরিপোক্কী সেক্রেটরি ঐচ ভরত মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লাইরিক হৈবা অমদি থবক অমা মায় পাকপা হায়বসি হোৎনবগী মখা পোল্লি হায়বা ৱাফম অসি মীয়াম্না খঙনরবনি। পার্সেন্টেজদা য়েংনবদা লৈঙাক্কী স্কুলদা পাস তৌরকপগী চাংগা লন্নাই স্কুলদা পাস তৌরকপগী চাংগা খেন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্লা উরি। লাইরিক তম্লিবনি হায়দুনা স্কুল কাহল্লগা লোইবা নৎতে। মচাশিংবু অয়ুক, নুংথিল অমদি নুমিদাংদা লাইরিক পারিব্রা নৎত্রগা কোইদুনা লৈব্রা নৎত্রগা করি তৌরি হায়বদু কুপ্না য়েংশিনবা অমদি মেনখৎপা তঙাইফদে। য়েংশিনবা ঙমদ্রবদি অমদি মশানা হোৎনবা ৱাৎলবদি মায় পাক্তবা/মায়থীবা হায়বসি মশানা তাবনি। স্কুলদা লাইরিক তম্বা চৎপা ঙাক্তা নৎত্রনা হোৎনবা য়াওদ্রবদি য়াদে।

মমা-মপানা মচাবু থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা অফবা মী অমা ওইহনগে হায়বসি খনবীবা অমসুং হোৎনবীবা চঙই। অদুবু মমা-মপানা মচাবু ফহন্নীংলবসু ইমুং-মনুংগী লৈতলায়রগী ৱাখলদা মচাশিংবু য়েংবা ঙমদ্রবদি করম্না অফবা মায়কৈদা পুগদৌরিবনো হায়না হংলক্লি। মচাশিংবু মমা-মপা ওইবশিংনা কা হেন্না য়েংশিনবা ঙমদবা হোম ৱার্ক তৌব্রা, লাইরিক পারিব্রা হায়বা য়েংশিন্দবা, নোংমদা পুং ২৪গী মনুংদা পুং ৫ দি স্কুলদা লাইরিক তম্বগী মতম লৌখ্রগা লেমহৌরিবা পুং ১৯ দি মমা-মপাগী মনাক্তা লৈবনি। মরম অদুনা গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদি স্কুল কাবগী চাংসু য়াম্না হন্থে। মমা-মপানা য়েংশিনবা ৱাৎপসু লৈতবা নৎতে। মতমগী অহোংবা কয়াশিং অসি য়েংলুরগা গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংদা ক্লাস ফাইবতগী আইট অমদি নাইনদগী টেন তম্লিবা মহৈরোয়শিং মফম চাবা য়েংলগা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমদা অনী নৎত্রগা অহুমদগী তাদনা রেসিদেন্সিএল স্কুল ওন্থোক্লবদি ওজা মরাং কায়না লৈগনি অমদি মহৈরোয়শিংবু অয়ুক, নুংথিল অমদি নুমিদাংদা মতম মাঙহন্দনা ট্যুসনগী মওংদা তম্বীবা অমদি লাইরিক পাহনবা লোয়ননা মশা-মউ ফবা মহৈরোয় পুথোক্লনবগীদমক লৈঙাক্লা রেসিদেন্সিএল স্কুলশিং লিংবা মতম চারে।

ওন্বা নুরাথেল গার্দেনদা পাঙথোকপা উ চারা থাবগী থৌরমগা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংনা লাই য়েকপা তানবগী শক্তম

ফার্মরশিংগী লোনগী শেনফম লৈঙাক্লা কোকথোকপীয়ু : ফার্মর ক্লবশিং

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীয়াম্না ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি য়েংবীদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংদা থাদখিবা কে সী সী, দব্লিয়ু সী সী, ফিশ ফার্ম লোন অমদি মুদানচিংবা মখলগী বেঙ্ক লোন তোল্লিবশিং অসি কোকপীয়ু হায়না লিলোং করাম্পাৎ লৌকোল ফার্মরস ক্লবনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী মীয়াম পুম্নমক ঙসিদি খম থেংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। চৎলিবা চহী অসিগী মে ২৮ দগী জুন ৮ ফাওবা সাইক্লোন মোরানা ঈশিং ঈচাও থোকহন্দুনা মণিপুরগী মীয়াম পুম্নমক অৱাবা ওইহনখি। ইকান কান্নদনা ঙসি ফাওবদা সাইক্লোন মোরাদগী মোন্সূন শমজিনখিদুনা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা তম্পাক্কী মফম পুম্নমক হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা মায়োক্লরে। অৱাবা কয়া মায়োক্লরবা মীয়ামগী ফীভম কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট কেলামিটি ওইরে হায়না লাউথোকখিবা অসিবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলি। লোয়ননা লৈঙাক অসিনা কা হেন্না ফীভম থীনা শোক্লবা কেলামিটি ওইনা লাউথোকপীনবা সেন্টর গভর্ণমেন্টতা তকশিল্লিবা অসিবুসু অপেনবা ফাওই। মফম মতম চানা মণিপুর মীয়ামগী অৱাবা মশক খঙবীদুনা অচুম্বা তৌবা মণিপুরগী মীয়াম্বু মীনুংশিগী অশানবা মীৎয়েং য়েংবীবা, অচান-মীরাই নাইবা, কাঙলূপ-ফুরুপকী খেন্নবা থমদবা, তুং কোয়না মীয়ামগী য়াইফগদবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপীরক্কদবা লৈঙাক অমনি হায়না শীংথারক্লি।

মরম অসিনা হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ঈচাও অসিনা মীয়ামগী লন-থুম, পোৎলম কয়া তুম্না মাঙহল্লে অমদি লম্বী-থোং কয়া অরুবা ফীভমদা লৈরে। মণিপুরগী তুরেল অয়াম্বদা উ অমদি ৱানা শাবা থোং কয়া ঈশিং ঈচাওগী ঈচেলদা চেন্থখিদুনা অৱাবা মায়োক্লবনি। মসিদা নৎতনা লৌ-ইশ্বোল পুম্নমক চহী অসিগী ওইনদি মহৈ চাগনি হায়বা উদ্রে। মণিপুরগী চাননবা চীঙাক অমদি পোথোক পুথোক্লিবা লৌমী-শিন্মীশিংগী ৱাখল কাঙাওনদুনা ফুম্বংনরে হায়রি। লৌমী-শিন্মী কয়াগী কোকথক্তা অচৌবা অরুম্বা পোৎলুম ওইনা লৈরিবা লোনগী শেনফমশিং অসি কোকহনবীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর, ফিশরিজ মিনিষ্টর, ভেটিরিনরি মিনিষ্টর অমসুং লিলোং এ সীগী এম এল এদা লিলোং অরাপ্তি ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মরস ক্লব, চীংজাও দোলাইথাবী লৌকোল ফার্মরস ক্লব, লিলোং হাওরেবী ঙাঙৌ লৌকোল ফার্মরস ক্লব, লিলোং করাম্পাৎ ফার্মরস ক্লব, লিলোং চজিং কোঞ্জেং লৈকায় ফার্মরস ক্লব, পাইওনিয়র ফার্মরস ক্লব লাইফ্রাকপমগী চীফ কোওর্দিনেটরশিংনা খূৎয়েক পীদুনা পীশিনখ্রে হায়রি।

লাইয়িংথৌ সনামহী কিয়োংগী তেংবাং পীনরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

নোংমাইচীংদা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনিংকোলগী ময়োল ওইগদৌরিবা সনামহী কিয়োং শাগৎলিবা অসিগী শেলগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি হায়না লূপ অসিগী লুচিং পুরেল ওইনাম মেঙ্গোর খুমননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায়দা লৈবা য়ুম্নাম মঙ্গিনা লুপা ২০০০, লৈকায় অসিমক্তদা লৈবা কোইজম তাজবন্তনা লৈখিদ্রবা মপাবুং কোইজম ইবোবীগী মিংদা লুপা ১০০০, হায়রিবা মীওই অসিমক্লা মহাক্কী লৈখিদ্রবী মমা কোইজম ওংবী কুমারীগী মিংদা লুপা ১০০০, লৈকায় অসিমক্তদা লৈবা কোইজম বিনাশখি লৈমনা লুপা ১০০০, লৈকায় অসিমক্তদা লৈবা মোইরাংথেম জানকিনা লুপা ২০০০, শিংজমৈ থোকচোম লৈকায়দা লৈবা থোকচোম থানিল লৈমনা লুপা ১০১৫, শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দা লৈবা শগোলশেম গোপেশ্বরনা লুপা ১০১৫, লৈকায় অসিমক্তদা লৈবা ৱাইখোম সচিন্দ্রনা লৈখিদ্রবা মপাবুং ৱাইখোম মোহোনগী মিংদা লুপা ১০০০, শিংজমৈ ওক্রম লৈকায়দা লৈবা ডা. ওক্রম মোহেন্দ্রোনা লুপা ২০০০, শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা লৈবা য়ুম্নাম ওকেননা লুপা ১০০০, শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায়দা লৈবা ময়েংবম তোচৌনা লুপা ১০০০, শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দা লৈবা খাইদেম সুরেশনা লুপা ১০০০, শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দা লৈবা শানৌজম অচৌবীনা লুপা ১০০০, শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দা লৈবা ৱাইখোম দিলিপনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী লোয়নবী ৱাইখোম ওংবী ময়েংবম শান্তিগী মিংদা লুপা ১০০০, ৱাইখোম লৈকায়দা লৈবা পুয়াম চাওবীনা লৈখিদ্রবা মপুরোইবা পুয়াম ব্রোজেনগী মিংদা লুপা ১১০০ অমসুং লৈকায় অসিমক্তদা লৈবা সনাবুং কিয়াম্বা মীতৈনা লুপা ১০০০ তেংবাংবীরকখি হায়রি।

ঈশিং ঈচাও মায়োক্লরবা মীয়ামগী ফংফম থোকপশিং মান্নবা চাংদা ফংহনবীয়ু : জে এ সী

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

ঈশিং ঈচাওনা থুমজিনখিদুনা অৱাবা নংলবা লিলোং এ সীগী নোংমগী চাবা-থকপা কোন্ননবা পোৎলমশিং দি সী থৌবাল, এস দি ও লিলোংনা য়েল্লম্লগা মখা তানা য়েল্লক্ত্রিঙৈদা চীফ মিনিষ্টরনা লৈঙাক্লা শেল থাদরগা রিলিফ কেম্পশিং হাংলি হায়না মিদিয়াদা ফোঙদোরকপবু লিলোং এ সী নেচরেল কেলামিটিজ (ফ্লদ) এফেক্টেদ এরিয়া ২০১৭ না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

জে এ সী অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌবাল দি সী অমসুং এস দি ও লিলোংনা টেন্ট ৫৪, এল ঈ দি লেম্প ৫৩ অৱাবা তারবা রিলিফ কেম্পশিংদা অমদি ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীওইশিংদা য়েন্থোকখ্রে হায়না ফোঙদোরকপা ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি। রিলিফ কেম্পশিংদা পীরম্বা অমদি য়েন্থোক্লম্বা লৈতে। দি সী থৌবাল অমদি এস দি ও লিলোংগা নক্লবা মরী-মতাশিংদা পীরম্বা য়াই। এস দি ও লিলোংনা মখা তানা মতেং পাংগনি হায়রম্লগা ঙসি ফাওবা পোৎলম অমত্তা মখা তানা ফংহনবা লৈত্রি।

জে এ সীনা মিদিয়াদা অসিগুম্বা ৱাফম ফোঙদোরকপা অসি তরাইনা লৌদে। ঙসি ফাওবদা লিলোং এ সীগী ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা তারবশিংদা কয়া য়াম্না করি করম্বা পোৎলমশিং পীখি হায়বদু এস দি ও লিলোংনা মীয়াম মমাঙদা থমগদবনি। মরমদি ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওই চাদা ২৫ অমদি হৌজিক ফাওবা পোৎলম অমত্তা ফংদনা লৈরি।

তুরেলগী ঈশিংগী ফীভম ঙসি ফাওবা হন্থদবদগী অপূনবা মীশীংগী চাদা ৮৫ না ৱানা খাঙলি। লিলোং এ সীগী মনুংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা মীয়ামগীদমক্তা তেংবাংনবা লৈরিবা ওফিসশিংগী ষ্টাফশিংনা মীয়ামদা কোওপরেসন পীবা ৱাৎপদগী অৱাবা নংলিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

ঈচাওনা অৱাবা তারবশিংদা চেঙ কে জি অমদা লুপা ২২ দা ফংহনগনি হায়না লৈঙাক্লা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি লৈবাকমচা তাদবনি। মদুগী মহুৎতা লৈঙাক্লা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীয়ামদা লেম্না চেঙ অমসুং নোংমগী চঙদবা য়াদবা পোৎলমশিং ফংহনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

তেংবাংলকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) :

লিলোং হাওরৈবী অৱাং লৈকায়দা থা অসিগী ২ দা তুরেল তোর্ব্বান কায়বদগী অৱাবা নংলবা লিলোংগী মীয়ামগীদমক লোকেল এম এল এ হাজি অব্দুল নসিরনা মতেং পাংবীরকখিববু ফ্লদ ভিক্টিম রিলিফ কম্মিটি লিলোং হায়র সেকেন্দরি মাদ্রাসানা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, তোর্ব্বান কায়দুনা ঈশিং চেনশিল্লকপা থিংনবা হোৎনবদা এম এল এনা লৌখিবা থৌদাংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা পল থিংনবা হোৎনবদা চঙবা পোৎলমশিং লৈনবা অমসুং থবক শুরিবা মীয়ামগী অৱামল পীথোক্লবগীদমক লুপা লাখ ৫গী শেলগী তেংবাং পীবীরম্বা অদুতা নৎতনা টাটা টিপ্পর ১৩ অমসুং জে সী বি অহুম নেক্তুনা থবক শুহল্লম্বগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ঈশিং ঈচাওনা অৱাবা তাহল্লবা মীয়ামগীদমক খন্দুনা লিলোং হায়র সেকেন্দরি মাদ্রাসা, লিলোং হাওরৈবী কোলেজ, লিলোং হাওরৈবী অৱাং লৈকায়, মাক্তা দুরুল উলুম, সাইরেনথোং, উবাক থোং মখা লৈকায়, ময়াই লৈকায়, ওইনাম দাম, লিলোং দাম, লিলোং অতৌখোং, ক্রিয়েটিব ইংলিশ স্কুল অমদি লিলোং হাওরৈবী লৈহাওখোংনচিংবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মীয়াম্বু মতেং পাংবীরম্বগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)
Run by Resource Persons and Former Examiners
ADMISSION OPEN
FOR 2ND BATCH CLASS IX,X,XI & XII FOUNDATION COURSE-COHSEM & CBSE
CONGRATULATIONS!! CONGRATULATIONS!!
Our Selected Students for NEE-I Ent. Exam. 2017
Class starts on: 23rd June, 2017
Class timing: 4:30 p.m. to 7:30 p.m.
Office Hour: 4:00 p.m. to 8:00 p.m.
Limited Seat, Hurry Up!!!
Pliz Contact: B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma Roaad
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856310202
HL-B/3947/17/06-16/07